‘ফিলোসোফিগী পোষ্ট য়াওহনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : এদ্যুকেসন (এস)না হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী তোঙান-তোঙানবা সবজেক্টশিংগী ওজা লৌবদা ফিলোসোফি সবজেক্টকী পোষ্টসু য়াওহনবীয়ু হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী ফিলোসোফি সবজেক্টতা মাষ্টর লোইখ্রবা ৰাই প্রেমকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, এদ্যুকেসন (এস)না হায়র সেকেন্দরিগী ওজা লৌবদা ফিলোসোফি সবজেক্টকী য়াওরক্তবা অসি হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী ফিলোসোফি সবজেক্ট পাস তৌরবা মতিক চাবা কেন্দিদেট কয়া লৈরে। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ফিলোসোফি সবজেক্টকী ওজা ৰাৎলিবা অসি য়েংদুনা ওজা লৌবদা ফিলোসোফি সবজেক্টকী য়াওহনবীয়ু। থা অসিগী ১৪ দা হীরম অসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর উনদুনা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রবনি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে খন্নসি হায়না ফোঙদোরকখি।

ফিলোসোফি সবজেক্ট অসি লৌবা মহৈরোয় য়াম্না লৈরি। ওজাদি য়াম্না ৰাৎলি। সর্ভে অমা তৌরবা মতমদা ফিলোসোফি লৌবা মহৈরোয়দি য়াম্না লৈরমখি। ওজাদি মশীং শুনা লৈরমদে। জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরিদা ক্লাস ইলেভেনদা মহৈরোয় ৫১, ক্লাস টুয়েল্বতা মহৈরোয় ৪৪ পূন্না ৯৫নি। সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস ইলেভেনদা মহৈরোয় ১১, ক্লাস টুয়েল্বতা ১১ লৈ। ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈরোয় ১৬ লৈরম্মী। ওজানা অমখক লৈ। সবজেক্ট অসিগী ওইনা কুমজা ১৯৯৪ দগী ওজা কৌদ্রি। মরম অসিনা সবজেক্ট অসিগীদমক পোষ্ট হাপ্পীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীটিং কেন্সেল তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ এ দি সী চুড়াচান্দপুরগী চ্যেরমেন খাইপাও হাওকিপনা ঙসি মফম থাদোক্লবা চেরোল পীশিনখিবগা লোয়ননা হয়েং পাঙথোক্লবা কৌখিবা মীফম কেনসেল তৌরগনি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নর, চুড়াচান্দপুরনা মরী লৈনবশিং মরু ওইনা এ দি সী চুড়াচান্দপুরগী মেম্বরশিংদা খঙহল্লক্লি।

শেল, সনা হুরানখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হান্নগী বোসেমগী সেক্রেটরি লাইশ্রম মঙ্গিগী তোপ মখা লৈকায়দা লৈবা য়ুমদগী ঙরাং নুংথিল পোবোপতা শকখঙদবশিংনা লুপা লাখ ১০ গী সনা অমদি শেল হুরানখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লাইশ্রম মঙ্গিনা হায়, ঙরাং নুংথিল শাগৈগী মী লৈতবা অমা য়াওবগী উৎসব য়াওনা চৎলুরিঙৈদা য়ুমগী ছোশিং অদু থুগায়রগা শকখঙদবশিং অদুনা শেল অমসুং সনা-লুপাশিং অদু হুরানখিবনি হায়রি।

শকখঙদবশিং অদুনা য়ুমগী তোঙান তোঙানবা কাদা লৈবা উপুশিং ফক্কায়রগা সনা-লুপা অমদি শেলনচিংবা লৌখিবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি লৈকায় অসিদা অমুক হন্না থোক্তনবা থিদোকপীদুনা মরাল লৈবশিং ফারগা চৈরাক পীগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

প্রসিদেন্ট উনরুগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ জে এ সী ওফ অমটুক এন্দ এমজিওগী দেলিগেট টিম অমা শেল্লগা লাক্লিবা ওগষ্টকী অহানবা চয়োলদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর উনবা চৎলগনি হায়রি। জে এ সীনা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসনগী রিকম্মেন্দেসন চৎনহল্লু হায়না চঙশিল্লকপা খোঙজং নুমীৎ ১২৮ শুরে। খোঙজং অসি শৌগৎলদুনা ঙসিসু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী এমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা চথখিবা ৰাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা এমপ্লোয়ী অমনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্না জে এ সীগী খোঙজং থওইবীদ্রে। জে এ সীগী থৌমীশিং ফাজিন-পুনশিন্দুনা ঈহৌ নমথনবা হোৎনবগী মহুত্তা নাকল অনী ৰারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবনা পুন্নমক্কী অফবা খোঙথাং ওইগনি।

GAS NEWS

MAHALAKHMI INDANE
SL.NO. : 221701
Booking Upto:09/06/2018
Valid From:03/06/2018
Stk :306
Timing :07.00am to 10.00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:20/07/2018
Valid From:17/07/2018
Stk :306 (Only for CTC & DNSC)
Timing :08.00am to 11.00am

IMPHAL LPG SERVICE
19Kg Commercial Stk:100

লৌউ-শিংউগী খূৎশু-খূৎলায় ফগৎহন্নবা ক্রোর ৬৮গী প্রোজেক্ট প্রপোজল থাখ্রে : রাজেন্দ্রো

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা খূৎশু-খূৎলায়শিং ফগৎহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ৬৮ লোমগী প্রোজেক্ট প্রপোজল অমা মিনিষ্ট্রিদা থাখ্রে হায়না এগ্রিকলচর দিরেক্টর পি ঐচ রাজেন্দ্রোনা ঙসি সিংহাট সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা সুমচিনভুম ভিলেজদা পাঙথোকখিবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর মণিপুরনা শীন্দুনা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (এগ্রিকলচর)গী মখাদা পায়খৎখিবা ওর্গানিক ফার্মিংগী ওইবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা পি ঐচ রাজেন্দ্রোনা হায়খি, ওর্গানিক ফার্মিংগী লম্দা চাউখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলক্লি। চীংগী লমশিংদা চুনগদবা লৌউ-শিংউগী ওইবা খূৎশু-খূৎলায়শিং ফগৎহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ৬৮ লোমগী প্রোজেক্ট প্রপোজল অমা থাগৎখ্রে।

ষ্টেট অসিদা চুঝাক্কী পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক লুপা ক্রোর ২০০ রোমগী অচৌবা প্রোজেক্ট অমসু মিনিষ্ট্রিদা থাখ্রে। ষ্টেট অসিদা চুঝাক মরাং কায়না পুথোক্লবদি মীওইবনা চাবদা শীজিন্নবতা নৎতনা য়েন মচীঞ্জাক শেন্বদসু য়াম্না চাওনা কান্নগনি। হীরম অসিগী মতাংদা থবক পায়খৎনবা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি।

ওর্গানিক ফার্মিংগী লম্দা লৌমীশিংনা মমূৎ তানা খঙবগা লোয়ননা পোখোক মরাং কায়না পুথোরক্লবদি মমল তাঙনা য়োনবা য়াগনি। ওর্গানিক্কী পোখোকশিং অসি য়াম্না দিমান্দ লৈবা অমদি মমলসু তাঙবা ওইরি। ষ্টেট অসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা ওর্গানিককী পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎপা চঙই। চীংগী মফম কয়াদা কেমিকেল ফর্টিলাইজর শীজিন্নদবা য়াওরি। অদুবু, চীংগী মফম খরদদি ফর্টিলাইজর মখল অসি শীজিন্নবগী পাউসু ফংলি। ওর্গানিক ওইবা মওংদা মনা-মশিং পুথোকপা য়াই। ওর্গানিক ওইনা পুথোক্লবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরাং অমদি শীজিন্নবা য়াবা পোৎলম কয়া লৈ। অখঙ-অহৈ এক্সপর্টশিংগা তানরগা মতৌ করম্না মপূং ফানা ওর্গানিককী পোখোক পুথোকপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা চঙই।

ঙসি ট্রেনিং পাঙথোক্লিবা সিংহাট সব-দিভিজনগী মনুংদা লৈবা সুমচিনভুম হায়রিবা ভিলেজ অসিসু হৱাইগী পোখোক ফজনা পুথোকখি। চুঝাক, চাকৱাই অমদি ফৌনচিংবা কয়া থাবা য়াগনি। খুল অসিদা চাকহাও থানবগী থৌরাংসু লৈরি। ওর্গানিক ওইবা মওংদা চাকহাও অমদি পোখোক কয়া ক্বালিটি লৈনা পুথোক্লবা হোৎনসি। চপ চাবা ওর্গানিক ওইবা পোখোক পুথোরকপা মতমদা মপান লমগী কম্পেনি কয়ানা লৈগনি। হৌজিক্কী মতমদা খূৎশু-খূৎলায় কয়া লৈবনা পোখোকশিং নীংথিনা চেক তৌরগা লৈগদৌরিবনি। ওর্গানিক ওইবা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবদা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং থৌশিল খূদিংমক পাঙথোক্তুনা হীরম অসিদা মায় পাকহনসি। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু চঙবা য়াবা মীৎয়েংশিং চঙগনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর অমদি চান্দেলদা চাকহাও ওর্গানিক ওইবা মওংদা পুথোক্লবগী মীৎয়েং থম্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (এগ্রিকলচর) লেটখোগিন হাওকিপনা হায়খি, ওর্গানিক ওইবা পোখোক পুথোক্লবগী মতাংদা দিপার্টমেন্টনা চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরাং কয়া অসি লৌমীশিংনা নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। থৌরাং অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা লৌমীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকপা ৰাখল-লৌশিং ওইবা য়াবা কয়া খঙহৌদুনা মায় পাক্লা ওর্গানিক ওইবা মওংদা লৌউ-শিংউগী পোখোক পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর চুড়াচান্দপুর টি ঐচ জয়কুমার অমদি মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্ট রিজন (এগ্রিকলচর)গী নোদল ওফিসর রাধাপিয়ারীসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা ৰা ঙাংখি। লৌমীশিংদা ওর্গানিক ফার্মিংগী থবকশিং পায়খৎপদা চঙবা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি।

বর্ম্মনা মণিপুরগী লম লৌশিনগনি হায়বদা তুমিন্না লৈগদবা নত্তে : লূপ

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : বর্ম্মনা মণিপুরগী লম লৌশিনগনি হায়বদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈগদবা নত্তে হায়না কংলৈপাক কনবা লূপকী এদভাইজর য়াম্নেম লাবনা ফোঙদোকখ্রে।

পাওনা কৈথেলদা লৈবা য়াম্নেম জুপিটর সেন্টরদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, জুলাই ৪ দা বোর্দর পিল্লর ৮১ অসি থুগায়গনি হায়না নুঙথং পায়রগা চৎলুবনি। অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা থিংদুনা থুগায়হন্দ্রে। ইন্টরনেসনল বোর্দর পিল্লরগী পোষ্ট অসি ইন্দিয়াগা বর্ম্মগগী পোষ্টনি। ইন্টরনেসনল বোর্দর পিল্লর থুগায়বগী ইন্টরনেসনল ক্রাইসিস অমা থোরক্কনি হায়বগী আইদিয়া অমা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা থাজে। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সর্ভে টিমগী মীওই অহুম লাক্লগা বোর্দর পিল্লর ৮১ দা চৎলে। পোলিটিসিয়নশিং অমদি সী এস ওশিংসু চৎলি। ঐখোয়দি ইনভাইট তৌরক্তবনা চৎহৌদ্রে। বোর্দর পিল্লরদা চৎলগা পোলিটিকেল ষ্টেটমেন্ট পীবা মাল্লি। খূৎলায় অমত্তা য়াওরক্তনা লাক্লগা বোর্দর পিল্লরদা চৎতুনা ৰা ঙাংলি।

জোইন্ট সর্ভে তৌবগী মহুৎতা বোর্দর পিল্লর ৮১ দা লেপ্পগা হেঞ্জিনবা লৈতে হায়না ঙাংলম্লিবা অসি লাইবক থীবনি।

মণিপুর খুন্নাইনা করিমত্তা ঙাংলক্লোই খনব্রা হায়নসু খল্লি। পিল্লর লোইনমক রি-সর্ভে তৌবা চঙই। সর্ভে টিম লাক্লগা মেপনচিংবা অমত্তসু য়াওদনা মসি য়ারে হায়রগা হেক্তা য়াগদ্রা। কংলা অসি বর্ম্মগীনি হায়রগা হেক্তা য়াগদ্রা। ক্বাথা খুনৌগী খুঞ্জানা হায়বদা নীংথি তুরেল অসি মখোয়গী খুলগী বাউন্দরি ওইরম্মী হায়খি। মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হন্দক্তা চৎলগা দোক্যুমেন্ট পুথোকউ হায়বসি পাট্টা পুথোকউ হায়বগা চপ মান্নে। সোইবুম খরা নম্লগা, মৈতাল খরা পেল্লগা য়োনবশিংদা পাট্টা পুথোকউ হায়বা তারবদি করি হায়গদৌরিবনো। ঙমখৈগীদমক মীওই কয়া শিখ্রে। ঐখোয়সু থৌরাং তৌদুনা লৈরি। নাগালেন্দনা মণিপুর লৌশিনগনি হায়বদা মীওই ১৮ শিখি। বর্ম্মনা মণিপুর লৌশিনগনি হায়বদা ঐখোয় তুমিন্না লৈগদ্রা। ঐখোয় থেংনগনি। বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ দা সর্ভে টিমনা ঙাংলম্বা অদু য়ানিংদে। রি-সর্ভে তৌবা চঙই। মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক থৱায় থাগে হায়বা মীওইনা ক্বাথাদা চৎপা করিগী ঙমদ্রিবনো হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা লূপ অদুগী জেনরেল সেক্রেটরি ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা হায়খি, পিল্লর অসি চুম্মী হায়রগদি দোক্যুমেন্ট পুথোকপীরো, লাল্লি হায়রগনা তৌফম থোকপা থবক অদু তৌবীরো। মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মফম অদুদা চৎলগা খুঞ্জাশিংদা দোক্যুমেন্ট পুথোরকউ হায়খিবসি য়াম্না চুমদবা ৰাফম অমনি। ইন্টরনেসনল বোর্দরগী দোক্যুমেন্ট মীয়াম্না পায়গদবা নত্তে। মরী লৈনবা লৈঙাক্কী এজেন্সীদা লৈগদবনি। চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বসি ফোঙদোকপীরকউ। সর্ভে টিমগী মীওইসু লাকখ্রে। রি-সর্ভে তৌগে হায়রবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এজেন্সীশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিং, বর্ম্মাগী মীহুৎশিং য়াওরগা রি-সর্ভে তৌগদবনি হায়বা ৰাফম থমখিবনি। মসি লৈঙাক্লা ঙাকপীরক্ত্রে।

দিল্লিদা টেবলদা ফম্লগা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ অসি চুম্মী হায়বসি ফজবা ৰাৎলি হায়বগী মতাগুম পিল্লর নম্বর ৮১ দা লেপ্পগা মসি চুম্মী হায়না লাউথোকপা মাল্লি। মসিদি অপঙবা শীবনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম লাইরিক হৈতবা নত্তে। পিল্লর মখোঙদা লাক্লগা চুম্মী হায়রম্লগা চৎখিবা অসি মণিপুরগী মীয়াম্বু শীংনবনি। বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৯, ৮০, ৮১, ৮২ দা রিফরেন্স লৌরগা কদায় ফাওবা চুম্লিবগে হায়বদু খূৎলায় থারগা য়েংগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লূপ অসিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি কৈরেনফাবনা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীমক্কী ওইবনা মসিদা ইন্দিয়া খক্তগী লাক্লগা ওনবা য়ারোই। রি-সর্ভে তৌবা নত্তে। মসি ফজনা ওনবা পাম্মী। পিল্লর মখোঙদা লাক্লগা চুম্মী হায়রগা চৎখিবা অসি ঐখোয়না য়াবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

এন এস সী এন (কে)গী মায়োক্তা ম্যান্মার আর্মিনা পাক-শন্না ওপরেসন চথবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস)ঃ ম্যান্মার আর্মিনা লৈবাক অদুগী মনুংদা লৈবা নাগা লালহৌবা গ্রুপ এন এস সী এন (কে)গী কেম্প কয়াগী মায়োক্তা ওপরেসন হৌখিবগা লোয়ননা এন এস সী এন (কে)গী য়াম্লবা কাদরশিং চেন্নখ্রে হায়না সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা হায়রি।

ম্যান্মারনা লৈবাক অসিগী সাইগাং রিজনদা লৈরিবা এন এস সী এন-কেগী কেম্পশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন চথবা হৌরিবসি পার্টি অনীগী মরক্তা সিজফয়ার এগ্রিমেন্ট অমা লৈনা লৈননি। ওপরেসন অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী হৌখি।

চৈরকসিদা অথিংবা থম্লিবা এন এস সী এন (কে)গী স্পোক্সপার্সন আইজাক সুমিনা ম্যান্মার আর্মিগী ওপরেসন অদুদা এন এস সী এন-কেগী কাদর পুন্নমক তেক্তা কায়দনা লৈরি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

আইজাক সুমিনা মহাক্কী ফেসবুক পোষ্টতা হায়, হৌজিক ম্যান্মার আর্মি অমসুং নাগা আর্মিগী মরক্তা লৈরিবা মুক্লবা ফিভম অসি মতম খরগী ওইনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোক্তনা নাকল অনীনা লৈখাই তানরগা লৈনরি। তৌইগুম্বসু নাগা আর্মিদি তঙাই ফদনা টেক্তিকেল ৰিদ্রোৱল তৌবা তাখি। মপুং ওইনা হৌজিকসু টেন্সন লৈরিবা ওইরবসু নাগা আর্মি অমুক হন্না ফিভম চানা অমসুং সেফ ওইনা লৈরে।

পনবা য়াইমদুদি, এন এস সী এন-কেনা ম্যান্মারদা মসিগী বেজ থম্লকখি। বেজ অদুদা গ্রুপ অসিদা উলফা (ইন্দিপেন্দেন্ট), এন দি এফ বি (এস), পি এল এ নচিংবা য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মরু ওইনা অসাম অমসুং মণিপুরদগী অতৈ লালহৌবা গ্রুপ কয়াদা ট্রেনিং অমসুং লোজিষ্টিক সপোর্ট পীখি। ম্যান্মারদা বেজ তৌবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবা গ্রুপশিং অসিনা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অপুনবা এটেকশিং চথনবা বেন্নর ওর্গনাইজেসন অমা শেমখ্রবনি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগী টেরিটরিদা কেম্পশিং হাংলিবা অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌবা গ্রুপশিং তকথোক্লবা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টতা দিপ্লোমেটিক প্রেসর পীদুনা লাকখি।

নুপীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখি হায়বগী মরালদা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : পাখং শারগা মশাগী চহী ৩৪ শুরবী লৈশাবী অমগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখি হায়বগীদমক মীওই অমা ফারে।

ফারবা মীওই অদু শিংজমৈ চনম পুখ্রি মপালদগী সোরোখাইবম অমিট এলিয়স নাওবী (৩৭) কৌই। মরাইবক থীহৌরবী নুপী অদুনা জুলাই ২১ দা ৰাকৎলকখ্রবা মতুংদা অমিটপু ঙরাং পুলিসনা ফাখিবনি হায়রি।

ৰাকৎ অদুদা অমিট এলিয়স নাওবীনা সোসল মীদিয়া ফেসবূককী খূত্থাংদা লৈশাবী অদুগা খঙনরবা মতুংদা জুলাই ২০গী নুংথিলদা নোংমৈবুংদা লৈবা থবক মফমদগী নুপী অদুবু এক্সেস স্কুটরদা তোংহল্লগা ময়ূম ফাওবা থিনবীগনি হায়না পুরম্মী। অদুবু, খোংনাং অনী কারক্কী দ্যুলালেন্দ মনাক্তা লৈবা য়ুম অমদা পুশিল্লগা নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনখি হায়না ৰাকৎলকখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা ইম্ফালগী হোটেল অমদা মখোয় অনী অহিং য়ারেকমিন্নখি। থংনবা নুমিৎতা শিংজমৈ চনম পুখ্রি মপানদা লৈবা অমিটকী ময়ূমদা মহাকপু পুশিনখি। নুমিৎ অদুদা অমিট ময়ূম-মকৈ পাল্লে হায়বা খঙলকখিবনি হায়না নুপী অদুনা পুলিসতা ৰাকৎলকখি।

জুলাই ২১ দা অমিটকী অহল-লমনশিংনা পাউ হায়দোকপা চৎপদা নাকল অনী য়ানবা ঙমখিদবনা নুপীমচা অদু ময়ূমদা হল্লকখি অমসুং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা মতম চানা কমপ্লেন্ট তৌবা ঙমখিদে হায়রি।

ফারবা অমিটপু ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোকখ্রে। কেস অসিগী আই ওনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক অমিটপু নুমিৎ তরেৎনিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীবীনবা হায়জবদা কোর্টনা নুমিৎ মঙানি পুলিস কষ্টদিনা থম্নবা অয়াবা পীখি। পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথবদা অমিটনা মশাগী মরাল য়াজখ্রে হায়রি।

রিমসকী সাইকিয়াট্রিক দিপার্টমেন্টকী ও পি দি কাউন্টর শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী সাইকিয়াট্রিক দিপার্টমেন্টকী নৌনা শাবা ও পি দি কাউন্টর, পব্লিক কিটচন অমদি পব্লিক লেভেটোরি ঙসি রিমসকী দিরেক্টর প্রো. এ শান্তনা শঙ্গাখ্রে।

রিমসকী মীদিয়া এদভাইজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিদা হৌখিবা চহী কয়াদা তঙাইফদবা ফেসিলিটি কয়া লৈতনা লাকখি। হৌজিক্তি দিপার্টমেন্ট অসিনা মীৎয়েং চঙদুনা ও পি দি কাউন্টর, পব্লিক কিটচন অমদি লেভেটোরি শাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নবা ঙম্লে। মসিনা পেসেন্টশিংদা কান্নবা পীরগনি। অতৈ দিপার্টমেন্টশিংনসু চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

রিমসকী সাইকিয়াট্রিক দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রো. আর কে লেনিননা ফোঙদোকখিবদা, চহী ১০ রোমগী মমাংদদি সাইকিয়াট্রিক দিপার্টমেন্টতা নোংমদা পেসেন্ট ২০ দগী ৩০ রোমগী চাংদা লাক্লম্মী। হৌজিক্তি নোংমদা পেসেন্ট ১০০গী মথক্তা লাক্লে। পেসেন্টশিং মশীং য়াম্না লাকপনা চিনবগী খূদোংচাদবা কয়া লৈবদু অনৌবা ও পি দি কাউন্টর হাংদোকপা অসিনা খরদি ফবা ঙম্লগনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী লেভেটোরিসু হাংদোক্তুনা পব্লিক টোইলেটকী খূদোংচাবা লৈরগনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. সী ঐচ অরুনকুমার, দেন্টেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল, ফেকল্টি মেম্বরশিং, দেপ্যুটি দিরেক্টর (এদমিনিষ্ট্রেসন), চীফ একাউন্ট ওফিসর, ওফিসল, ষ্টাফ অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. সী ঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রিগী মতম খরা টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা এ এন এ অমদি এন্টি দি এস দি এন এগী ইনভেষ্টিগেসন লেপ্পল্বা অদু থা অসিগী ২৬ তগী থবক হৌরে। কমপ্লিট হেমোগ্রাম, রুটিন আর ঈ অমদি মাইক্রোস্কোপীগী থবকসু দিপার্টমেন্ট ওফ পেঠোলোজিদা ইমর্জেন্সি টাইম (দে এন্দ নাইট)দা তৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ওগষ্ট ৫ ফাওবদা অচুম্বা পুথোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি : সপ্লাইয়রশিং

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) : ফিশরি দিপার্টমেন্টকী সপ্লাই ৱার্ক অমদি ফিশরিগী লাকপা বিল মীওই মঙাগী মশা খঙহন্দনা কায়থোক্লম্লিবা অসি ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা অচুম্বা পুথোক্ত্রবা অমদি কায়রিবা মীদু পুথোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়না এম এস কোংবম এজেন্সীগী প্রোপ্রাইটর কোংবম রোমেননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা কন্ট্রেক্টরশিং অমদি সপ্লাইয়রশিং য়াওনা পাউমীশিংগা উনবদা কোংবম রোমেননা হায়খি, ফিশরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টরনা এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং দিরেক্টর ইন-চার্জ ওইনা পুদুনা বিলশিং অসি একাউন্টতা হাপচিল্লে। মার্চ ফাইনান্সিএলগী ওইনা সপ্লাই ৱার্ক অমসুং বেনিফিসরিগী লাকপা বিল মশা খঙদনা মীওই মঙাগী বিল লুপা ক্রোর ১ রোম কায়থোক্লম্লে হায়না মরাল শীরক্লি।

মীওই মঙাগী শেল কায়থোকপা অসিসু ইনফোর্মেসন অমত্তা পীরমদনা কায়থোকখিবনি। কায়থোকখিবা দি দি ওগী একাউন্ট নম্বরসু লৈরি। কন্ট্রেক্টকী থবক তৌবা অমসুং সপ্লাই তৌবা হায়বসি তৌরিবা মীওইশিং অদুদা চেক পীরক্কদবনি। অসুক য়ামখ্রবা শেনফম অসি করম্না কায়রিবনো। কায়রিবা মীওইশিং অদুসু খঙহনবীয়ু। প্রাইম মিনিষ্টরদা ঐখোয়না অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনসু মীৎয়েং চঙবীয়ু। ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা সপ্লাইয়র, কন্ট্রেক্টর অমদি বেনিফিসরিশিংগী ফংফম থোকপশিং পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুপা অমনা মশামক্কী মখূরা নোংমৈনা...

লামায় ১গী মখা... মরূনা পানখিবগী দাকফম লৈরম্বা থেংনখি। মফম অদুদা ফোরেনসিক এক্সপার্ট লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, জিতেন মমাঙদা কেস কয়াদা চেনবা মীওইনি। মহাক কুমজা ২০১৫ গী জূলাই ১ দা মহাক্কী মখুরা কে ঐচ কৃষ্ণমোহোন কৌবা অমসু হাৎখিবগী কেসসু লৈরিবনি। তোম্বা মীহাৎতা চেন্নে হায়রিবা জিতেন জেনিমস হোস্পিটালদগী ফারে। থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম তোপ মখা লৈকাইদা লৈবা জিতেনগী নুপী মপামগী য়ুম নাওরেমথোংদগী মীয়াম লাক্লগা থুগায়নবা হোৎনখি। অদুবু লৈকাই ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগা ৰারী শান্নদুনা মখা তানা মতৈ মনাও লৈহল্লরোই হায়না ৰারেপ অমসু লৌখি। মদুগী মতুংদা নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকাইদা মীয়াম্না জিতেনগী মপানা শীজিন্নবা টাটা মেজিক অমা মৈ থাখ্রে হায়রি।

কে এস এ : খোঙজং চঙশিন্নবা...

লামায় ১গী মখা... মুসুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎপা ওইনা কে এস এ অমদি নেফিসনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়া অমদি এম য়ুদা এফিলিএট তৌবা কোলেজশিং, স্কুলশিংদা ভি সী লৌথোক্লবা সিগ্নেচর কেম্পেয়ন চথবা হৌখ্রে। এম য়ুগী ইস্যু অসিনা মরম ওইদুনা এম য়ু অমদি এম য়ুদা এফিলিএট তৌরিবা কোলেজশিংগী এগজাম হায়দোক্তনা লৈরি। এন্ট্রান্স এগজামসু পাঙথোক্তনা লৈবা অসিনা মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাঙগদ্রা হায়বগী চিংনবা লাক্লে। সিগ্নেচর কেম্পেয়ন অসি মণিপুর অমদি মণিপুরগী ৰাংমদসু চথগনি।

কেম্পেয়ন অসি চথবা লোইদুনা ফংলকপা দাটাশিং হয়েং মিনিষ্ট্রি ওফ ঐচ আর দিদা কে এস এ অমদি নেফিসনা মেমোরেন্দমগা লোয়ননা পীশিনগনি। কে এস এ অমদি নেফিস, নোর্থ ইষ্টকী ওর্গনাইজেসন, লূপশিংগা খূৎশম্নদুনা দিল্লি য়াওনা মণিপুরগী ৰাংমদা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে। মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাঙদনবা ইস্যু অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লূম্না লৌবীদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু। নেফিস অমদি কে এস এনসু অকনবা মওংদা ইস্যু অসি লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ষ্ট্রীট ভেন্দর ফম্বীশিং ঈরাং হৌরকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংবু ঙাক শেন্ননবগী কুমজা ২০১৪ দা রাই তাখ্রবনি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা সুপ্রিম কোর্টকী কাঙলোন অদুসু চৎহন্দে। মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্ট্রীট ভেন্দর ফম্বীশিংবু ওৎ নৈবসি য়াম পেন্দে। ঙসিসু সিটি পুলিসকী ও সীনা তানবদগী মায়কৈ মায়কৈদগী ষ্ট্রীট ভেন্দর ফম্বীশিং হৌরক্তুনা খোঙজং অসি চঙশিনবনি। বি জে পি লৈঙাক অসি লাইরববু নুংশি হায়রগা ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংদা অসুকয়াম ওৎপিরিবসি পেন্দে।

খোঙজং অসিনা মরী লৈননা সিটি পুলিসকী ও সী ইঙোচানা হায়, হৌখিবা নুমিৎ ২০ নিরোম অসি ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংদা লৈঙাক্লা পীবা মতমদগী হেন্না ফম্বা য়ারোই হায়দুনা লাউদুনা লাকই। লম্বী শোরোক্তা পোৎ চৈ থারগা য়োনবা হায়বসি ইন্দিয়াদা চৎনরিবা লো অসিনা য়াদে। অদুবু নোংমগী চরা তানবা লাকচরিবা ইমা ইবেলশিংবু ফাদুনা কোর্টতা পুরগা ফাইন থিহনবা অদু পামদবদগী মতম য়াদ্রে হায়না লাউরকপদা ইশানা খঙনা চৎপিয়ু হায়বনি। ইমা ইবেলশিংনা ঐখোয়বু মখোয়গী য়েক্লবদৌনা খনবসি অরানবা মীৎয়েংনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু ষ্ট্রীট ভেন্দর ফম্বীশিংগী য়াইফগদবা থৌরাং অমা শীনবীবা চঙই হায়খি।

ফাকাপকী থৌদোক মতম চানা...

*লামায় ১গী মখা...*সী বি আইগী মায়কৈদা লেপখিবা সোলিসিটর জেনরেলনা হায়খি মদুদি, অতোপ্পা কেস অহুম অমসু ইনভেষ্টিগেসন চথবা লোইরে। মরম অদুনা হৌজিক ফাওবদা পূন্না কেস ৭কী ইনভেষ্টিগেসন মপূং ফানা চথবা ঙম্লে। অদুবু, সী বি আইগী কাঙলোন মতুংইন্না হায়রিবা কেসশিং অদু তোঙান-তোঙানবা থাক্তা অমুক হন্না য়েংশিনগদবা ৰাৎলি। ওগষ্ট থা লোইশিল্লকপদা কেস ৭ কী মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট কোর্টতা লানখৎপা ঙম্বা য়াই হায়না সোলিসিটর জেনরেলনা ফোঙদোকখি।

চেরোল অসিনা হায়, সোলিসিটর জেনরেলগী ৱারোল তাবদা জজশিং শাউখিবগা লোয়ননা জুলাই ৩০গী নুংথিল পুং ২ তাবদা সী বি আইগী দিরেক্টরগী কোর্ট কারক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কোলিন গোন্সালভেসনা সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম মুথৎলগা অতোপ্পা মনিং তম্বা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমদা মণিপুরগী ফেক এনকাউন্টরগী কেসশিং থিগৎহনবা মথৌ তাই হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

ৰাফম অসিগা মরী লৈননা এমিকস ক্যুরেগী মোত হংখিবদা এমিকসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী ওইবা মোত কোর্টতা মপূং ফানা থমগনি হায়না অয়াবা পীখি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, জুলাই ২৩ দা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা মপূং ফাবা ৰাফম ফোঙদোক্লবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না মণিপুর পুলিসকী হেদ কন্সটেবল হেরোজিৎনা পিটিসন ফাইল তৌখি। অদুবু, মতম ফংদবগী ৰাফম অসি কোর্টনা খন্নখিদ্রে। ক্রিমিনেল মিসিলিনস পিটিসন নম্বর ১০১৮ ওফ ২০১৮গা মরী লৈননা সী বি আই অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা এফিদাবিট ফাইল তৌবা লৈখ্রবনি।

ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনা অগর পাম্বী...

লামায় ১গী মখা... পীবীনবা ৰাফম কয়াসু থম্নখি। থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট কে অঙ্গামি, চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট ধনঞ্জয়, কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট (ইষ্টর্ন সর্কল) দল্লিয়ু য়াইস্কুল, দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজন খুরাইজম সনাজাওবসু শরুক য়াখি।

য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরনা...

লামায় ১গী মখা... ৰাখলদা অৱাবা কোক্লে হায়বা য়ারবসু হৌজিকসু অসিগুম্বা অশোইবসিনা মীয়াম্বু খোইশাওনবা কোক্ত্রি। মরম অদুনা আই দল্লিয়ু এফতা ইশু অসি পুখৎপিদুনা ৰাখলগী অৱাবা অমসুং ইকাইবা নংখিবা ঐখোয়গী মণিপুরী এথলেট অসিদা কম্পেন্সেসন মতিক চানা পীহল্লু হায়না সী এমনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা চেরোল থাদুনা তকশিনখিবনি।

য়ানখিবা ৰাফম থুগায়রকপা তারবদি...

লামায় ১গী মখা... হায়বদা চপ মান্নরবসু য়ারোই। মসিদি মখল অনী থোক্লা থুগায়বনি। মণিপুরগী লৈঙাক্লোনদা থুগায়বনি হায়খি।

ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয় কোন্থৌজমনা থৌরমদুগা মরী লৈননা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা হান্না করিমত্তা য়াওদে হায়বদু হাংদোরকপা হৌরে। ঐখোয় নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরিবা অসি থুগায়বীগনু হায়না হায়জদুনা লাক্লি। হৌজিক মীয়াম্না চেকশিনহৌদ্রবদি মণিপুর কায়বা য়াবা ফীভমদা লৈরে। পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লিবা অসিনা এক্ত ওনখ্রবদি মণিপুর কায়রে। বি জে পি লৈঙাক্লা চেকশিনবা চঙই। ঐখোয়গী য়েক্লবা অসি কনানো হায়বা ময়েক শেংলে। মণিপুরবু ইন্দিয়ানা থুগায়নবা শিল্লিবসি হীরম খূদিংমক্তনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদসু হৌজিক চথরিবনি। করিসু নৎতবা অমদা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা ৰাহল্লি। বাউন্দরিগী মতাংদা ওইরবসু মখোয়না করিসু খন্দে। ক্বাথাগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিসু ইফোং ফোংনা খঙই। তুরেলগী ঈশিংদু বর্ম্মনা শীজিন্নবগী ক্বাথাদা ফৌ কারিবনি। মসিনা ইরায় লায়না মণিপুরগী লমনি হায়বসি খঙলিবনি। ওঠোরিটি ওইদবা খরা লাক্লগা করিসু তৌবা ঙমদবা অদুনা কান্নবা ফংদে। মর্জর এগ্রীমেন্ট রিভিয়ু তৌবা মথৌ তারে। ঐখোয়গী হান্নগী নিংথৌ পানবা লৈঙাক ওইজবা অদু মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা রিটাইয়র্ড আই পি এস, এস খোইরেনথাবনা হায়খি, মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি জুন ১৮ দগী হেন্না শাথীবা অমা লাক্তৌরে। জুলাই ১৯ দা মণিপুর থুগায়বা য়াবা বিল পার্লিয়ামেন্টতা আর এন রবিনা সবমিট তৌখ্রে। মসিদা য়াওদ্রিবা দিষ্ট্রিক্ট হায়রগা চুড়াচান্দপুর য়াওদ্রে। মণিপুরগী ওইনা ইপা-ইপুশিংনা পাক চাওনা লম থম্বীরম্মী। হৌজিক্লা মেপ খক্তদা পাকপা ওইনা লৈরে। কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ৩ দা মণিপুরদা মোদিনা ভোট খোম্বা লাকপদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়বা তৌরোই হায়খি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করিমত্তা য়াওদে হায়খি। হৌজিক্লা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী বিল ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা থাজিনখ্রে। জুন ১৮ থোকখিবা অসিদি চীননা হায়বনি। হন্দক্কী অসিনা বিল ওইনা থাজিনবনি। ঐখোয় ফীভম চাদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমকিলগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখিনা ফোঙদোকখিবদা, লমদমসিগী মীওই ১৮না থৱায় থাখিবা অদু বেঙ্কোক দিক্লারেসন অদুননি। থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থোকহন্দুনা লাক্লি। ঐখোয় হৌজিক চেকশিন্না হোৎনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট রমণিনা থৌরমদুদা ৰা ঙাংলদুনা হায়খি, জুন ১৮ দা থৱায় ১৮ কৎখি। হৌজিক মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি ইন্দিয়াদগী তোঙাঞ্জরগে হায়না লৈঙাক্লা হায়বীরো। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়দা চথরক্লিবা অসিদা ঙসিগী লৈঙাক্লা করিমত্তা তৌবা ঙমদনা লৈরিবসি লৈঙাক লৈবগী ৰাহন্থোক য়াওদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা অমুকোগী সেক্রেটরি এস সঞ্জয়না হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী বিল পুথোক্লিবা অসিনা এক্ত ওনবা মতমদা ইন্দিয়া কায়গনি। মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক অসি মীয়ামগী ওইনা থবক পায়দ্রবদি মণিপুরগী মীয়াম্না কৈদৌঙৈদা থল্লোই। মণিপুরদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খূৎশেমগী ওইবা অৱাবা পীরিবা, ওৎলিবা অসিদা য়ারিবা মণিপুর লৈঙাক লৈবা য়ারোই। মণিপুরগী লৈঙাক্তি মীয়াম্না ঙাক্লগা লাকপা ঙাক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিক লৈমনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না পূন্না চঙশিনদ্রবদি মণিপুর কনবা ঙম্লরোই। ঐখোয়গী ফুরুপ লৈত্রগা লৈঙাক লৈবা য়ারোই। মণিপুরগী মীয়াম্না পারা তম্বীরসি। ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

रा.इ.सू.प्रौ.सं
NIELIT

NIELIT, Imphal
National Institute of Electronics & Information Technology
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics & Information Technology(MeitY) Govt. of India)
Akampat, Post Box No.104, Imphal - 795 001, Manipur

Free Course Fee for SC & ST students

Advertisement For Short Term Courses

Sl. No.	Name of Course	Duration	Timing	Eligibility	Normal Fee+GST
1.	Certificate Course on Computer Concepts(**Specially arranged on SATURDAY & SUNDAY ONLY)**	8 - weeks (80 hrs)	10.00 a.m. to 3.p.m. (Lunch break-12.00 p.m. to 12.30 p.m.)	Knowledge of English	4130/-
2.	Certificate course in Computer Concepts(CCC) (Windows+MS Office+Internet)	8 - weeks (80 hrs)	7.00 a.m. to 9.00a.m.	Knowledge of English	4130/-
3.	Diploma in Computer Applications	400 hrs	7.00 a.m. to 9.00a.m. 3.00 p.m. to 5.00p.m.	XII Passed in any discipline	18880/-

Starting Dates: Sl.No.1 : 04th August, 2018(Saturday)
Sl.No.2&3 : 02nd August,2018 (Thursday)
Last date of admission : 01st August, 2018
No course fee for SC/ST candidates. However processing fee of *Rs 100/- will be charged.
Application shall be submitted online through http://14.139.207.251.8080 or*** www.nielit.gov.in/imphal/content/admission-new***.
Or contact admission office during 9.30 a.m. to 5 p.m. on all working days(Monday-Friday).

Sd/-
Executive Director
NIELIT, Imphal

HL B/4769/28&29